**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মণিপুর পুলিসকী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মী য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম হৌখিবা চহি তরা অসিদা চাদা ৯০ হেনগৎলে।

অমসুং

৩) তেলিকোম এক্ট, দিজিতেল ভারত নিধি লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মণিপুর পুলিসকী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মী য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চজিং মমাং লৈকাইদা মণিপুর পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজি য়াওনা থি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, মরু মঙা অমসুং হেন্দ গ্রেনেদ অনি ফাগৎপা ঙমখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওল্ড কছার রোডতা গাড়িশিংদগী শেল খোমগৎপা মীওই অমা পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মীওই অদু য়ু.এল.এফকী মীংদা শেল খোমগৎপা মীওইনি হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি। মীওই অদুদগী য়ু.এল.এফ এন্ত্রি টেক্স হায়না থাবা চলান বুক অমা ফাগৎপা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা, জিলা অসিমক্কী থমাপোকপীদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রপিাক ফেক্সন য়ু.পি.পি.কেগী এক্তিভ কেদর অমা পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মীওই অসি মীয়ামদগী শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোনদগী মোবাইল হেন্দসেট অহুম, শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ অমসুং চাকা মরি পনবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

ঙা (এল)ঃ মণিপুরদা ঙাগী পোথোক মরাং কায়হন্নবা পান্দমদা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙা মচাশিং থাদবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। বিভাগ অসিনা শিন্দুনা ঙরাংসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সিংদা ডাম মনাক্তা লৈবা কদাংবন্দ খুঙ্গংগী পুখ্রিশিংদা ঙা মচাশিং থাদখি।

চান্দেল (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.দব্লিউ)গী চেয়ারপার্সন থুল্লিক তেনিংফম মোন্সাংবু থাগৎপা ফোংদোকপা তরামা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু চান্দেল জিলাগী মন্ত্রি পান্থাদা লৈবা এস.এস. মোহরিং মেমোরিয়েল মল্টি পরপজ হোলদা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন চান্দেল অমসুং মোন্সাং ৱিমেন্স য়ুনিয়ন্না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- এস.এস ওলিস অমদি জিলা অসিগী এ.দি.সি-এ.দি.এম, এম.দি. ফিরোজ খানসু শরুক য়াখি।

মীফম (এল)ঃ চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনগী ২০২৪-২০২৭ কী অহানবা ফেদরেল এসেমব্লি পাঙথোকখ্রে। লমকাং নাগা ত্রাইব য়ুনিয়ন্না থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু সি.এন.পি.ওগী ৱাঙাংলোই মোসিয়েল এস. খালিংনা সভাপতি ওইখি।

মোদি ঃ    প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সরকার অসিগী মন্ত্র অসি রিফোর্ম, পার্ফোম অমসুং ট্রান্সফোর্মনি। মহাকা হায়- ভারতকী শেল থুমগী ফিভম অসি হৌখিবা চহি তরা অসিদা চাদা ৯০ হেনগৎলে। মসি হায়রিবা মতম অসিদা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী ফিভম অসি চাদা ৩৫ হেনগৎলিঙৈ মতমদনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকখিবা ই.টি. ৱার্ল্ড লিদরস ফোরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মসিগী সষ্টেনেবল গ্রোথ অসি তুংদসু মখা তানা অদুমক চথখিগনি। মসিদা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মপুংফানা থাজবা লৈ হায়না প্রধান মন্ত্রিনা মখা তাখি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ২৫ রোম লাইরবা কোকহনখ্রে।

পিএম ঃ    প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা বন্দে ভারত রেল গাড়ি অহুম লমথাখ্রে। রেল গাড়িশিং অদুদি- মিরট-লখনৌ, মদুরাই-বেঙ্গলুরু অমসুং চেন্নাই-নাগরকোইলনি। থৌরমদুদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি অৱাংদগী খা ফাওবদা ভারতকী চাওখৎপগী খোঙচৎতা অনৌবা পন্দুপ অমা হাপচিল্লে।

মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা বিক্সিত ভারত ওইনবা পান্দম অদুদা তপা তপা চংশিল্লক্লি। ঙসি হৌদোক্লিবা অনৌবা বন্দে ভারত রেল গাড়ি অসিনা মরুওইবা অমসুং ঐতিহাসিক ওইরবা সহরশিং শমহল্লগনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা হৌজিক বন্দে ভারত রেলৱে সার্ভিস ১০২ মথৌ তৌরি। রেলৱে ষ্টেসনশিং অওনবা পুরকপগী থবক চত্থবগা লোয়ননা অপিক অপিকপা রেলৱে ষ্টেসনশিং এয়ারপোর্টকুমা অনৌবা মওংদা ফগৎহনবগী থবক চত্থরি। শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক চহিগী শেনবা চহি অসিদা তামিলনাদুগী রেল বজেৎ ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৬ খাক্তুনা থল্লে। ইং কুমজা ২০১৪ দা থমখিবা শেনফম অদুদগী শরুক ৭ হেল্লবনি।

তেলিকোম ঃ  তেলিকোম এক্ট, দিজিতেল ভারত নিধি লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌরগনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা সরকারনা নোতিফিকেসন অমা থোকখ্রে। দিজিতেল ভারত নিধি অসিনা য়ুনিভর্সিয়েল সার্ভিস ওব্লিগেসন ফন্দ (য়ু.এস.ও.এফ)কী মহুৎ শিল্লগনি। নোতিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না দিজিতেল ভারত নিধি অসিনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং প্রোজেক্টশিং মপুং ফানা পায়খৎপদা চাইনা মতেং ওইরগনি। দিজিতেল ভারত নিধিগী পান্দমদি- সমাজদা লৈরিবা অনরিজার্ভ গ্রুপশিংদা তেলিকম্ম্যুনিকেসন সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহনবনি।

অনাপুরনা ঃ  কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রি অনাপুরনা দেবীনা ঙরাং গুজরাতকী গান্ধিনাগরদা লৈবা মহাত্মা মন্দিরদা লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থগদবা ৭ শুবা রাষ্ট্রিসয়া পোসন মাহ হৌদোকখ্রে। থা অমা চুপা চত্থগদবা থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিদগী মচি ওইবা চীঞ্জাক ফংদবগী খুদোংচাদবা কোকহন্নবা অহেনবা চীঞ্জাক পীবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি।

জিতেন্দ্র ঃ  কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা বাইওটেকোলোজি ফোর ইকোনোমি, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট (বাইও-ই-থ্রি) থৌশিল হৌদোকখ্রে। মন্ত্রিনা হায়- থৌশিল অসিনা লৈবাক অসিদা বাইও মেন্যুফেকচরিংগী থবক চাউনা হেনগৎহল্লগনি।

পেরিস ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্রা মোদিনা পেরিস পেরালিম্পিক্সতা নুপীগী মিতর ১০ গী এয়ার পিষ্টোল ইভেন্টতা ভারতকী রুবিনা ফ্রান্সিসনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকপদা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- রুবিনা ফ্রান্সিসনা পেরিস পেরালিম্পিক্স ২০২৪ দা শেঞ্জেংগী তকামন লৌরকপা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা চাউথোকচনিঙাই ওইবা মীকুপ অমনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকিশিংনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা রেল্লি চৎখিবগী পাউ, কুকিশিংগী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি। পাউশিং অসিগা মান্নবা পাউশিং তোঙান তোঙান তোঙানবা মওংদা হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেশিং অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

জিরিবামদা পিল্লিবা অঙাং অহুমগী মশাদা উৎলকপা লাইওংনা মংকি পোক্স ওইরমগদ্রা মীপাইনরে হায়বা পাউ অমসুং বি.জে.পিগী ব্রাঙাংলোই লমজাথাং হাওকিপতা অহুমসুবা এটেক হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈঙাক্কী অথিংবা লৈনা লৈনা কুকিশিংনা রেল্লি চৎখ্রে, নাগাগী অথিংবা থুগাইদুনা কুকিশিংনা রেল্লি চৎনবা হোৎনবদা মুকখ্রে হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- কুকিশিংগী কা হেনবা থৌওংশিং য়ানিংদবা উৎতুনা চংশিনখিবা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজংনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে হায়না ফোংলি।

কুকিশিংগী শান্তি রেল্লি খুদিংমক হিংশাগী নুমিৎনি হায়না লমজাথাং হাওকিপনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম অমসু মণিপুর নিউজ পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওহবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ময়াই লন্বী ঙসিদগী মতম কক্তনা থিংলগনি হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

প্রাইভেট হোস্পিতালশিংদা সি.এম.ঐচ.টি চৎনদনবা লৌখিবা ফিরেপ মীয়াম ৱাহনবনি হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ অমসু ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লমজাথাং হাওকিপগী ময়ুমদা অহুন্নক শুবা ওইনা এটেক চথখ্রে হায়বা পাউ অমসু পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মিজোরমদগী ম্যান্মারদা থানবা খুৎলায়শিং ফাগৎলে, এন.আই.এনা মী ১০ গী মথক্তা চার্জসিট থাংগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসুং মরম চাদনা শিন্থা লেপ্পা, বন্দ ব্লোকেদকী খোঙজং চংশিনবীগনু হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন অমসুং হংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------